হ্যুমেন রাইটকী মীফম য়াওবা মীওই তরা টর্কিস পুলিসনা দিতেন তৌখ্রে

ইস্তানবুল, জুলাই ০৭:

টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী মেম্বরশিংনি হায়না চিংনবদা যুম্ফম ওইরগা টর্কিশ পুলিসনা এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী লোকেল দিরেক্টর অমসুং অতৈ রাইটস এক্তিভিষ্টশিং য়াওনা মীওই ১০ ফাজিনদুনা থমখ্রে হায়না এম্নেষ্টিনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। এম্নেষ্টিগী টর্কি ব্রাঞ্চগী চ্যেরমেন টানের কিলিক ফানবা কোর্ট অমনা ওর্দর তৌখিবা মতুং থা অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা এক্তিভিষ্টশিংদু দিতেন তৌখিবনি। হৌখিবা ২০১৬গী জুলাইগী মায় পাকখিদ্রবা মিলিটরি কূ অদুগী মতুংদা চথখিবা চিংনবা মীওইশিং ফাবা পুনবগী অচৌবা খোংথাং অমদা ওথোরিটিশিংনা টানের কিলিকপুসু ফাজিনখিবনি। মহাক হৌজিক ৱায়েল চথুদনা জেলদা লৈরি।

এমনেষ্টিগী টর্কি ব্রাঞ্চকী দিরেক্টর ইদিল ইসর অমসুং অতৈ এক্তিভিষ্টশিং ইস্তানবুলগী খাদা লৈবা বুয়ুকাদা ঈথৎকী হোটেল অমদা মীটিং তৌরিঙৈদা ফাখি অমসুং টর্কিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পুখি হায়না ফাজিদুনা থল্লিবা এক্তিভিষ্টশিংগী লোয়র অমা ওইরিবা বাহরি বেলেননা রোইজেটদা ফোঙদোকখি।

বেলেননা মখা তারদুনা ফোঙদোকখি মদুদি, প্রোসিক্যুটরশিংনা মীওইশিংদু নুমিৎ তরেৎনি দিতেন তৌনবা জজগী অয়াবা লৌবা পামখি। পুলিসতগী খুদক্তা কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদ্রবসু বেলেননা হায়খি মদুদি, ইরাই নুমিৎতা এক্তিবিষ্টশিং অদু পুলিস ষ্টেসনশিংদগী ইস্তানবুলগী পুলিস হেদক্বার্টর্সতা ট্রান্সফর তৌবা মতমদা থৌদোক্তুগী এক্সপ্লেনেসন অমদি লাকপা য়াই হায়খি।

দিজিটেল সিক্যুরিটি অমসুং ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্টগী মতাংদা পাঙথোকপা ৱার্কসোপ অমদা শরুক য়ারিবা মীওই ১০গী মায়োক্তা শিরিবা মরালশিংদু খ্বাইদগী মরম চাদে হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলগী সেক্রেটরি জেনরেল সলিল সোটনা ফোঙদোকখি।

সাউদি আরাবিয়া অমসুং মীচংশিংনা কটরবু ৱাহন্নবা অনৌবা থৌরাংশিং লৌখৎলনি হায়খ্রে

রিয়ান্ব, জুলাই ০৭:

কটরনা সাউদি আরাবিয়া অমসুং মসিগী মপাং ওইবা অতৈ আরাব লৈবাকশিংগী দিমান্দশিং রিজেক্ট তৌখিবা মতুংদা গল্ফকী অপীকপা এমিরেট অসিগী মায়োক্তা অনৌবা খোংথাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না সাউদি আরবিয়া না লুচিংবা আরব লৈবাক মরিনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউদি আরাবিয়া, ইজিপতা বেহরেন অমসুং যুনাইটেদ আরাব এসিরেটসনা হৌখিবা থাদা কটরবু টেররিজম শৌগৎলি হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা কটরগা মখোয়গা লৈনবা দিপ্লোমেটিক মরীশিংসু থদৎখি।

গ্রুপ অসিনা থাও মরাং কাইনা ফংবা অপিকপা লৈবাক অদুগা নোংথক, ঈশিং অমসুং কংফাল লম্বীগী মরীশিংসু থদৎপগা লোয়ননা চীঞ্জাক য়াওনা পোৎচৈশিং পুশিল্লক্লবগী মরুওইবা লম্বীশিং থদৎখি।

কটরগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপা য়ানবনি হায়দুনা গ্রুপ অসিনা অপিকপা লৈবাক অসিদা দিমান্দ ১৩গী লিষ্ট অমা মদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবগী দেদলাইনগা লোয়ননা পীশিনখি। তৌইগুম্বসুং কটরনা যুমশকৈশা নুমিৎতা লিষ্ট অদু রিজেক্ট তৌখি।

ইরাই নুমিৎতা আরাব ষ্টেট মরিগী অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি মদুদি, কটরনা মখোয়গী দিমান্দশিংদুবু য়াদ্রিবদু লমদম অদুগী সিক্যুরিটিদা অকাইবা পীবা লৈবাক অসিগী পোলিসি মখা তানা চথুনিংবদগীনি। লৈবাক মরিগী রাইটশিং, সিক্যুরিটি অমসুং তংতাবগী ফিভম কন্নবগীদমক্তা মতম চানা পোলিটিকেল, ইকনোমিক অমসুং লিগেলগী ওইবা থৌরাং কয়া কটরগী মায়োক্তা লৌখৎলগনি হায়না মখোয়গী অপুনবা ষ্টেমেন্ট অদুনা মখা তাখি। কটরগী মায়োক্তা নৌনা লৌখৎকদৌরিবা থৌরাংশিং অদুগী মরমদা কুপ্না পনখিদে।

লৈবাক মরিনা ফোঙদোকখি মদুদি, ৱাথোক অদু লৈখাই তাননবা দিপ্লোমেটিক পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা হোৎনবদা কটরনা অরেম্বা তাহল্লে। ৱাতেল্লিবা কুৱেটকী খুথাংদা থাখিবা দিমান্দশিং অদু হৌজিক চৎনররোই।

জপানদা নোং কন্না চুবদগী ঈচাও অমসুং চীং নীংখাইবা থোক্তুনা মীওই ৬ শিখ্রে

টোকিয়ো, জুলাই ০৭:

জপানগী খা থংবা ঈথৎ ক্যুসুদা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা নোং কা হেন্না কন্না চুবদগী ঈচাও থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ঈশিং থুমজিনখিবদগী অমসুং চীং নীংখাইবদগী মফম খরদা থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীওইশিংদা চীঞ্জাক অমসুং হিদাক লাংথকশিং ফংহন্নবা হোৎনখি। মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবদগী থবকশিংদা মতেং পাংনবা লাম্মী অমসুং পুলিস পার্সনল ১২,০০ হেন্না শীজিন্নখি। মখোয়না উ-অতেক অকাই অমসুং লৈখোম মপৈ মরক্তা মী কনবা অমসুং মী হুম্বগী থবকশিং পাঙথোকখি, ক্যুসু ঈথৎকী মফম খরদা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ গী মমাঙদা পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা নোং ত্রম ত্রম ৫৯৩ (ইঞ্চি ২৩) চুখি। মসি জুলাই থাদা মহৌশা চুরকখিবা চাংদগী য়াম্না হেল্লবনি হায়না মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

ইমর্জেন্সি ৱার্নিংশিং লৌথোকখ্রবসু নোং কন্না চুবগী ফিভমদু ক্যুসুগী খা থংবা শরুক্তগী অৱাং থংবা মায়কৈদা হোংখি।

হৌজিক ফাওবদা মীওই ৬ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ২২ থীবা খঙখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। নোং খ্বাইদগী কন্না চুখিবা মতমদা মীওই ৪০০,০০০ হেন্না ময়ুম ময়ুমদগী শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা খঙহনখিবা মতুংদা মীওই৮০,০০০ য়ৌদনা হোংদোক্লবা ওর্দর তৌখি।

নোং খ্বাইদগী কন্না চুখিবা ফকুৱোকা অমসুং যুল্লোন্নবা ওইতা অনীমক খুঙ্গংগী লমশিংনি তৌইগুম্বসুং মীওই ৯৫০,০০০ লৈবা কিটাকুওসু সিটিদা চেনবা তুরেলশিংসু ঈমাই ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী মীশিং শাফগদবা মফমশিংদা থৈদোক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

ফিলিপিন্সতা য়ুহা হাবদা পৱার প্লান্টতা অমাং অতা থোকখ্রে, মফম কয়া থোক্না চীং নীংখাইখ্রে

তাক্লোবান, জুলাই ০৭:

মেগনিট্যুদ ৬.৫ য়ৌবা অকনবা য়ুহা হাবা অমনা ফিলিপিন্সকী ময়াই থংবা শরুক নীকহনখিবগা লোয়ননা পৱার প্লান্ট অমা অমাং অতা থোকখ্রে মফম কয়াদা চীং নীংখাইহনখ্রে। বিল্ডিং অমসুং লম্বী কয়া চেকখাইহনখ্রে। য়ুহা হাবা অদুদা মীওই কয়াসু অশোক-অপন নংখ্রে অমসুং খুঙ্গং কয়া সিটিগা শম্নহনখিদ্রে।

ফিলিপিন্সকী ময়াইথংবা লমদমগী নোংপোকথংবা এরিয়াদা পৱার লাইনশিং শোকপদগী মীয়াম্না মৈ য়াওদনা লেন্নখি। অর্মিগী মাইকৈদগী লম্বী অমাং অতা থোক্লবা খুঙ্গংশিংদা লাম্মীশিং অমসুং ইঞ্জিনিয়রশিং থাখি।

শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিলদা থোকখিবা অকনবা য়ুহা হাবা অদু লেতি প্রোভিন্সতা এপিসেন্টর ওইখি। যু এসকী জিওলোজিকেল সর্ভেনা মদু কিলোমিটর ৬.৫ লুথনা থোকখি হায়না পাখি। তৌইগুম্বসুং ফিলিপিন্সকী সাইজমোলোজিষ্টশিংনদি মদু কিলোমিটর ২ (মাইল ১.২) দমক লুনা থোকখি অমসুং ফিলিপিন ফোল্ট লেংবদগীনি হায়খি।

য়ুহা হাবা অদুদা খ্বাইদগী ফিভম থীনা শোকখিবা লিতেগী টাউন কনাঙ্গাদা মীওই ২ শিখি অমসুং মীওই মরিনা থীবা খঙদনা লৈরি।

কন্না নীকপদুদা গ্রোসরি ষ্টোর অমা য়াওনা বিল্ডিং অমা অমসুং অতৈ বিজনেসকী বিল্ডিং কয়া নীংখাইখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখি অমসুং অতৈ মীওই ২০ হেন্না অশোক অপন নংখি। কোন্না বিল্ডিংগী অকাই অতোই মরক্তগী মীওই ৬ রেসক্যু তৌখি হায়না কনাঙ্গাগী মেয়র রোৱেনা কোদিলনা ফোঙদোকখি।

মেয়র মসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি মদুদি, বিল্ডিং নীকপা হৌরকপদা মীশিংনা মীপাইনদুনা চেন্থোক্লখি, তৌইগুম্বসুং নীংখাইরবা বিল্ডিং মরক্তা থোকপা য়াদনা লৈখ্রবা মীশিংনা সেলফোনগী মতেংনা রেসক্যু ৱাকরশিংদা মখোয়গী মফমশিংদু খঙহনখি।

সেনত্রেল ফিলিপিন্সকী জারো টাউনদা লৈবা জিওথর্মেল পৱার প্লান্ট অমা অমাং-অতা খরা নংবদগী লমদমদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মীশিংনা অহিং চুপ্পা মৈ য়াওদনা লেনখি হায়না নেসনল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন মেনেজমেন্ট কাউন্সিল গী স্পোক্সপার্সন রোমিনা মরা সিগননা ফোঙদোকখি।

য়ুহা হাবা অদুগী মতুং ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবা ফাওবদা অফটরসোক ২৪১ হেন্না রেকোর্দ তৌখি। কনাঙ্গাদগী কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পা ওর্মোক সিটিদা চীং নীংখাইবদা যুম অমা ফুমজিনখি অমসুং নুপী অমা শিখি। এরিয়া অদুদা মীওই ১০০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি। ওর্মোককী এয়রপোর্টসু রনৱেদা অমাং অতা থোকপদগী থীংজিনখি হায়নাা সিটি অসিগী মেয়র রিচার্দ গোমেজনা ফোঙদোকখি।

কনাঙ্গা অমসুং ওর্মোবককা তাইনবা খুঙ্গংশিংদা মফম খরদা চীং নীংখাইবদগী য়ামদ্রবদা মীওই মরি থীবা খঙখিদ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

গাড়ি থেঙ্গাইনবদা নুপীমচা অমা শিরে

বিরমিংহাম, জুলাই ০৭:

ঙসি ইংলেন্দগী বিরমিংহাম সিটিদা হায় স্কুল অমগী মহৈরোয়শিং পুবা মিনিবস অমগা অমোৎ অকাই হোনবা লোরি অমগা থেঙ্গাইনবদা চহী ১৪ গী নুপীমচা অমা শিখ্রে।

বিরমিংহামগী ইরদিংটন এরিয়াগী মী চিল্লবা এ ৩৮ কিংসবেরি রোদতা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অদুদা চেন্নরিবা মিনিবস অদুদা ষ্টাফোর্দস্যেরগী জোন টেলর হায় স্কুলগী চহী ৯ অমসুং ১২গী লেঙ্গাগী মহৈরোয়শিং তোংখি। মখোয় আর্টকী ত্রিপ অমা চৎখিবনি।

এক্সিদেন্ট অদুদা শোকখিবা নুপীমচা অমসু হোস্পিটালদা পুখৎখি। মহাক ফিভম থীনা শোকপদি ওইখিদে।

বস অদুদা মহৈরোয় ২১ তোংখি। মখোয় কয়ামুক থৌদোক থোকফমদা মাইনর ইনজ্যুরিশিংগী ত্রিটমেন্ট তৌখি। মখোয়গী মরক্তগী নুপীমচা অমদি মখা তানা য়েংশিনহন্নবা হোস্পিটালদা পুখৎখিবনি।

পেরিসতা পুলিসনা লম্বীগী চীদাইদা লৈশিনবা মাইগ্রেন্ট লিশিং কয়া তকথোকখ্রে

পেরিস, জুলাই ০৭:

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ফ্রান্সকী কেপিটেল পেরিসকী অৱাং-থংবা শরুক্তা লম্বী নাকলগী পেভমেন্টশিংদা লৈশিল্লিবা মাইগ্রেন্ট লিশিং কয়া ফ্রেঞ্চ পুলিসনা তানখাইখ্রে। মাইগ্রেন্টশিংদুগী মনুংদা মীওই কয়াদি সুদান, এরিত্রিয়া অমসুং এফঘানিষ্টানগুম্বা ইৱাং থোক্লবা থাপ্লবা লৈবাক কয়াদগী লাঞ্জেল্লকখিবনি।

এরিয়া অদুদা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিংদু তানখাইনবগীদমক্তা পুলিস অমসুং অঙৌবা পুলিস ভেনশিং অয়ুক পুং মঙারোম তাবদা চঙশিনখি। পেরিস সিটি হোলগী এফিবেল দোমিনিক ভর্সিনিনা মীওইশিং অদু ২০০০দগী ২৫০০ ফাওবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

পেরিসকী অৱাং থংবদা লৈবা পোর্ট দি লা চাপেল কৌবা এরিয়া অদুদা নোংমদা মাইগ্রেন্ট ১০০ রোম থুংলৈ। মখোয়গী মনুংদা মীওই কয়াদি ইর্ষ্টন অফ্রিকা অমসুং মিদ্দল ইষ্টতগী লাকপশিংনি হায়না মহাক্না সি ন্যুজ টিভি ষ্টেসনদা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা লোনা য়াদবা কেম্পশিং অসি লৈরিবা মীওইশিং অমসুং নোর্মেল মীওইশিংদা সিক্যুরিটি প্রোব্লেম ওইবদা নত্তনা মীয়ামগী হকশেলদসু খুদোংথীনিঙাই ওই হায়না পেরিস পুলিস প্রিফেক্টকী ওফিসনা ফোঙদোকখি। পেভমেন্টশিংদা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিং তকথোকপগী থবক্তুদা পুলিস অমসুং অতৈ ওফিসল ৩৫০না শরুক য়াখি।

লম্বী নাকলগী সাইদৱালশিংদা লৈরম্বা মীওইশিংদু বসশিংদা তোংখৎহনখি জিমনেজিয়ম বিল্ডিংশিংগুম্বা মতম খরগী ওইবা লৈফমশিংদা পুখি। লাইভ টিভি ফুতেজদা মীশিংদু ঈং-চীকনা হোে দাকখিবগী শক্তম উৎখি।

এদভর্টিজমেন্ট নম্বর ৭/২০১৭

পার্লিয়ামেন্ট ওফ ইন্দিয়া

(জোইন্ট রিক্রুটমেন্ট সেল)

দিরেক্ট রিক্রুটমেন্টদা যুম্ফম ওইরগা লোক সভাগী সেক্রেটরিএটকী জুনিয়র ক্লার্ককী অহাংবা ফমশিং মেনশিনবা

লোক সভাগী সেক্রেটরিএটতা জুনিয়র ক্লার্ককী অহাঙবা ফম ৩১ [(এস সি ০১, এস টি ০৫, ও বি সি ০৯ অমসুং যু আর ১৬) (ইংলিস ষ্ট্রিমদা ২৬ অমসুং হিন্দি/বাইলিঙ্গ্যুঅল ষ্ট্রিমদা) ০৫+গ্রেদ পে: লুপা ২৪০০/- (প্রি-রিভাইজ) গী মওংদা পে মেট্রিক্স (প্রোভিসনেল) গী লেভেল ৪গী ফম অমনি] লৌনবগীদমক্তা মতিক চাবা ইন্দিয়ান সিটিজনশিংদগী ওনলাইনদা এপ্লিকেসনশিং কৌজরি।

২. অহাংবা ফম ০১ দি মীৎ উবা ৱাৎপগী ফিভম এল ভি-লো ভিজন) য়াওবা হকচাংগী অশোইবা লৈবা মীওইশিংগীদমক রিজার্ভ তৌই।

৩. ওনলাইনদা সবমিসন তৌবগী অরোইবা মতম তারিখ ০৯.০৮.২০১৭ কী নুংথিল পুং ০৫.০০ ফাওবা।

৪. মখা তাবা অকুপ্পশিংগীদমক, লিঙ্ক রিক্রুটমেন্ট →এদভর্টিজমেন্ট এন্দ নোটিফিকেসনকী মখাদা ঐখোয়গী ৱেবসাইট http://www.loksabha.nic.in দা ভিজিট তৌবিয়ু। এদভর্টিজমেন্ট অসিদা শোইবা য়াওবা, নত্রগা হাপকদবা লৈবা নত্রগা কেন্সেল তৌগদবা লৈরবদি মথক্কী ৱেবসাইটসিমক্তদা ফোঙগনি।

৫. মথক্কী ৱেবসাইট অসিগী ওনলাইন এপ্লিকেসন লিঙ্কতি রিক্রুটমেন্ট →এপ্লাই ওনলাইননি।

davp31102/11/0002/1718

ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2017-18
at Vijayawada A.P.
Offers Govt. Fees specially for Manipur Students

B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
Eligibility - 10+2 EPCB 45% (Aggregate)
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Eligibility - 10+2 passed any stream 40%
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month

One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)

B.SC. NURSING ADMISSION OPEN 2017-2018
at Gitam University, Vishakhapatnam

→ Tuition fees Rs. 30,000/- (per year)
→ Food & Accommodations Rs. 30,000/- (per year)
Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
(only female candidate)

SPOT ADMISSION

Top Deemed University having own medical college & hospital

EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277 & +91 9436009556

HL-P/0679/2to11-13.15.17.19&21

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ/শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম:



পূর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু কোনবীরম্বী **শ্রীমতি খাইদেম ওংবী বিনাশখি দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২৭/৬/২০১৭ ইং, ইঙেনগী ৪ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ বৃন্দাবনেশ্বরি চৈতন্য দাশি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবণ প্রাপ্তী ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ২/৭/২০১৭ ইং, ইঙেনগী ৯ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১০/৭/২০১৭ ইং, ইঙেনগী ১৬ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কির্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীত্রিনপ্রভু অমসুং শ্রীশ্রীগোপালদেবগী চরন্দা কচ্ছগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুত্ত্বপ মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবণ তৌবিরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবশিং:

খাইদেম ওংবী সনাতোম্বী দেবী (মচেমশি)

১। খাইদেম ওংবী ইবেয়াইমা দেবী (মচেবেমা)
২। খাইদেম ওংবী বিনোঅচৌবী দেবী (মনাওনুপী)
৩। খাইদেম তরুনকুমারি (লিলি) (মচানুপী)
৪। খাইদেম ওংবী তায়েঞ্জম সঙ্গিতা দেবী (মমৌনুপী)
৫। খাইদেম ওংবী পাওনম সুহেলা দেবী (মমৌনুপী)
৬। খাইদেম ওংবী নোংথোম্বম রোসিনি দেবী (মমৌনুপী)
৭। কুমারি খাইদেম জেরিনা দেবী (মশুনুপী)
৮। কুমারি ঙানশি খাইদেম (মশুনুপী)

১। খাইদেম ইঙোচা (পাবুংচা) সিংহ (মনাওনুপা)
২। খাইদেম রুদ্রাকুমার সিংহ (মচানুপা)
৩। খাইদেম ভোগেন্দ্রাকুমার সিংহ (মচানুপা)
৪। খাইদেম বোইতোন সিংহ (মচানুপা)
৫। খাইদেম গ্লোরিস (মশুনুপা)
৬। খাইদেম চেতন (মশুনুপা)
৭। খাইদেম ব্রাইএন (মশুনুপা)

উরিপোক খাইদেম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট।
ফোন নম্বর : ০৩৮৫-২৪১০৩১০, ৯৮৫৬১৬৮৭৩৯

HL-P/2016/08

IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE : BISHNUPUR AT BISHNUPUR

Original (Succession) Suit No. 3 of 2017

1. Shri Konsam Rajen Singh, aged about 48 years, Son of (L) K. Member @ Membhor Singh of Nambol Makha Leikai, P.O. & P.S. Nambol, Bishnupur District, Manipur.

... Petitioner.

- Versus-

1. Shri Konsam Ningol Meitram (o) Memma Devi, aged about 42 years, W/o Meitram Ratan Singh, a resident of Nambol Khabi Mamang Leikai, P.O. & P.S. Nambol, Imphal West District, Manipur.

... Respondent/Opp. Party.

NOTICE UNDER SECTION 372 OF THE INDIAN SUCCESSION ACT, 1925

To

ALL THE INTERESTED PERSONS

Whereas, the above named petitioners have filed an application under Section 372 of Indian Succession Act 1925 for grant of a Succession Certificate for the sum of Rs. 15,24,635/- (Rupees fifteen lakhs twentyfour thousand six hundred and thirtyfive) only receivable from the IFCD, Govt. of Manipur in respect of the death benefits regarding the death of Konsam Member @ Membhor, Ex-driver, Office of the Electrical & Mechanical Division, IFCD, Govt. of Manipur in the name of the petitioner.

Notice is hereby given to all persons having interested in teh said claim to appear before this Court on 27/7/17 at 10:30 a.m. and to file written objection if any, showing the reason or ground as to why the Certificate should not be granted as prayed for.

Given by an order of this Court on this 6th day of July, 2017.

By:- K. Shyamkanhai Singh
Advocate

Sd/- Sheristadar
District & Sessions Court, Bishnupur

HL-P/2015/8,9

ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃꯥ/নুপা অমা মাঙখ্রে



হৌখিবা তাং ১০/০৪/২০১৭ কি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা থোকখিবদগী ঐগী ইচানুপা নোংথোম্বম বোনিল সিংহ যূমদা হঞ্জিল্লকত্রে। মহাক ফীট (5.'1/2) মুক ৱাংই, কুলৈ কুচুনি। মহাক্না থোকখিবা মতমদা ব্লু মচুগী জিন খোঙগ্রাউ অমা অমসুং অঙৌবা মচুগী টি-সার্ট অমা লিংখি। মহাক চহী ২৬ লোম শুরে। কনাগুম্বা মীওইশিংনা মহাকপু থেংনবিবা য়াওরবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবিরকউ।

খঙহঞ্জরিবা : **Nongthombam Bihari Singh (Father)**
Wangkhei Wangkheimayum Leirak, Imphal
# 8257054395, 7085970186

HL-P/2017/08



job vacancies

Sl. No. Name of Job Vacancy : Age : Qualification : Salary P/M

1. Wanted C.S.A. For upcoming FMCG Companies in Imphal.
Post: - C.S.A Staff for regular Job Age: - 18 to 38 years. X /XII - Rs-9800 to Rs-14200.
No of Post-14 both male & Female. Working Hour:- 3 to 5 hour. Job Role :- Back Office

2. SMS. Job Staff Wanted: - An ISO 9001: 2008 certified company
India's No.1 Part-Time/Home Based Work Provider Since 1997
Part Time: - Working Hour 2 hour /day, Rs-500 -700 per day Salary. Qua: - VIII & Above.
Full Time: - Qua – X/XII & Above, Age -18 to 35 years only. Monthly Salary: - Rs-7500 to Rs-16200.

3. Urgent Recruitment Tele-Caller Reception in Imphal.
Post: - Tele caller Reception 18 to 40 years XII to Graduation or Equivalent
Monthly Salary: - Rs-10200 to Rs-21200. Travelling fees provided. No of Post : 06

4. Urgent requirement for Field Staff :
Post :- Field Staff / Field Agent / C.S.A- 18 to 35 years X-Graduation Rs-16500+
Provided for -Insurance, Travelling & Allowance .

5. Join Merchant Navy After 10th or ITI Course to Graduate
Requirement For :- 1. Rank-Trainee Navigation Officer (Deck Cadet) Salary- Rs 25,00/- to 45,000/-
2. Rank-Third/Second Officer Salary- Rs 90,000/- to 1,25,000/- pm
3. Rank-Chief Officer ,Salary- Rs 2,20,000/- to 2,50,000/- pm
* Fresher candidate can apply after Age of 17 years.

6. VACANCIES IN JET AIRWAYS, SPICE JET, INDIGO AIRLINES
FOR CABIN CREW, AIR HOSTESS, GROUND STAFF, TECHNICAL DEPARTMENT (+12,GRADUATES)
Min Salary Rs. 20000 Max Salary Rs. 70000 Age - 18 to 38 Years
Jobs in Airport as Supervisor&Loader(10th&12th pass)Job Type: Full-time Min Salary: ₹28,000.0

7. 9 International Business jobs in Dubai, United Arab Emirates + 10 miles
i) Financial Planning & Analysis Accountant
ii) Online Sales Manager (Home Electronics)
iii) Business Development Manager
Min Qualification :- XII,
Salary :- Rs-86,0000 Starting
Age :- 18 to 36 years
Facility: - Accommodation & Travelling fees free

8. Wanted Back Office Staff for Imphal :-
i) Asst- Manager / Area Manager 20-36 years Min-Graduate Rs-24,000 - 30,000
ii) Reception , Attendent , Accountant 18 - 36 years Min-XII Rs- 8,700 -14,000
iii) Driver , Peon & Helper -do- Min-VIII Rs- 6,000 - 9,600

Helpline nos-8974975286 VISIT US AT :- Helpline nos-8974975286
Office of the :- Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazaar,Airport Road, Imphal.

HL-B/3910/4 to 1 Aug. (alt.)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd June 2017 Time : 4:30 pm - 7:30 pm
Foundation Course for Class XI & XII Starts: 22nd June 2017 Limited Seat

TOPPERS of 2017

1st Position Priyanka M. D/o M.Humeshwar & R.K.Raina
4th Position Rozaria Th. D/o. Th.Joychandra & R.K.Mirabai
4th Position Khushi Kh. D/o. Kh. Rakesh & Rita Devi
6th Position Micheal A. S/o. A.Hemanta & Ranjana Devi
8th Position Bideli Devi D/o. A. Deben & M. Bimola Devi
9th Position Md. Swadique S/o. Md. Mujibur & Mrs. Sakila
9th Position Robinson Kh. S/o. Iboyaima Kh.
9th Position Russel Ch. S/o. Johnson Ch.
13th Position Th. Yaiphabi D/o. Bhagat Th.
14th Position Siddhant W. S/o. W. Nabakumar
15th Position Neelima N. D/o. N. Surjit Singh
17th Position Krishnand L. S/o. L. Robindro
20th Position K. Hennae D/o. K. Debadutta
21st Position M. Thoibisana D/o. M. Bimol
21st Position Tina Th. D/o. Shaphaba
21st Position R.K. Kebisana D/o. R.K. Deepak
22nd Position Guigaingam K. S/o. Titus Kamei
23rd Position Ng. Babyka S/o. Ng. Bikramjit

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN / BUS AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342

CONGRATULATION TOPPERS OF XII SCIENCE - 2017
1st Position G. Gopal Krishna S/o. G. Gajendra G. (O) Ajita
2nd Position RK Babysana D/o. RK. Tikensana RK. (O) Kunjarashi
3rd Position Victoria Ng. D/o. Ng. Bonobir Ng. (O) Kiranmala
15th Position Gita Elangbam D/o. E. Borkumar E. (o) Girija

HL-B/3932/10/06-12/07